# ইশানা শান্নবা লোইশিল্লক্লবা মতমদা অনৌবা অঙাংশিং পুথোক্লবা, ৱাখল্লোন মান্নবা ঐখোয় খরা পূনশিল্লগা একাদেমি হাংননবা খন্নজরি



য়ুম্নাম কমলা
*(ইন্টর্নেসনল ফুটবোল্লর)*

(ঙরাংগী মখা)

অদুগা, ঐনা য়াম্না কন্না হায়জনীংবা ফোঙদোকনীংবা ৱাফম অমদি শান্নবগী মগুন চেন্দুনা পোল্লকপা অঙাংশিংদদি কৈদৌনুংদা অথিংবা পীবিগনু। প্লেয়র ওইরক্কদবা অঙাংশিং অসিদি ময়ামদগী খরা অদুম তোঙান তারক্কনি। স্পোর্টর ওইবা হায়বসিদি তোপ তোপ্পা অমনি। মমা-মপা ওইবশিংনা অথিংবা পীবিবগী মহুত্তা, করম্বা মখলগী গেম শান্নবা য়াগদগে হায়বদু কোচশিংগা তানরগা শান্নহনবীবনা হেন্না ফগনি। ঙল্লিঙৈদগী খঙদোক্লগা, গ্রাসরুটতগী মখোঙ শেংনা শেন্নক্লবদি মায় পাকপা শান্নরোয়সু ওইবা ঙমগনি। অহল লমনশিংনা হৌরকপা মতমদা অয়েৎ-অপন পীবসিনা অমদসু ওইদা অমদসু ওইদা অরেম্বদা মাঙননবা শিনবীবা ওইনা থোক্কনি। জগোয়দা, ঈশৈদা, স্পোর্টসতা, লাইরিক-লাইশুদা মমিং লৈগদবা কাঙবুসিদি পিশক-পিল্লিঙৈদগী অদুম খঙবা ঙম্বনি। কৈদৌনুংদা লোৎশিন দুনা থম্বা অমত্তা য়ারোই।

হৌজিক্তি লাইরিক্কা স্পোর্টসকা অনী অসি থোং মান্নবা চৎমিন্নহনবসু য়ারবনিনা পিল্লি ঙৈ মতমদগী শেম্বীবনা অচুম্বা থৌরাংসু ওইগনি। মপান্দা থাগে খল্লবসু অঙাং ওইরিঙৈদগী থাবীবনা হেন্না ফৈ। মদুনা লেঙ্গৈইজ প্রোব্লেমসু ওইরোই। শান্নবগা লোয়ননা লোন-লী ফজনা ঙাঙবা ঙম্বা হায়বসিসু প্লেয়র অদুগী প্লস পোইন্ট ওইগদৌরিবনি। ইংলিস নৎত্রগা হিন্দি ফজনা ঙাঙবা ঙম্বা হায়বসি কোচশিংনসু মশক হেক্তা লায়না খঙবা ঙম্মী। লোন ফাওনবা ঙম্বা হায়বসিসু য়াম্না মরু ওইবা অমনি। শান্নবদা য়াম্না ফজরবসু লোন ফাওনবা ঙমদবদগী পুন্সিদা নুংঙাইতবা থৌদোক কয়া অমা ঐখোয়দা থেংনরকখি। মসিগুম্বসি অমুক হন্না মণিপুরদগী লাকপা প্লেয়রশিংদা থোকহন্নীংদে। মৈতৈ মচা ঐখোয় ময়ামনা তিংখৎতনা মীৎ-মায় খঙদনা শান্নরগা, মকোক থোংবা লুচিংবা অমা খল্লকপা মতমদদি অতৈ ষ্টেটতগী খনখিবা য়াওখি। ফজনা শান্নদ্রবসু, লোন ফজনা ঙাঙবা ঙম্মী হায়দুনা বোল ইহৈ হৈতবা অমনা লিদ তৌদুনা চৎলকপা মতাংদদি ঐখোয়দা শাউনীংবা, পেন দবা পোকহল্লকই। কোন্নথংদবুদি ঐখোয়সু ঙম্ননবা হোৎনরকখি। অদুবু পিল্লিঙৈদগী শেম্বীরক্লবদি কনাবুসু অকিবা লৈরোই। পূম্নমক অঙাং ওইরিঙৈদগী হোৎনরকপা য়াবা ঙাক্তনি। ফিল্ডদবুদি ফুটবোলগী লেঙ্গৈইজ ঙাক্তনিনা ফোরেন কোচনা ঙাঙলবসু, ইন্দিয়াগী কোচনবু তাক্লবসু লোইনমক লৌশিনবা ঙমগনি। অদুবু, থিওরি ঙাক্তগী নৈনরকপা মতমদদি লৌশিনবদা ৱানা থোকই। সেমিনারদা, দিস্কসন মতমদা ইশা ইশাগী ওপিনিয়ন পীয়ু হায়রকপা মতাংদদি তঙাইফদনা লোন খরা ফজনা ঙাঙবা হৈবা অমা চংই। ঐখোয়দি লেঙ্গৈইজ প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা ঙাঙথোকপা ঙম্লক্তে। নৈনরিবদু করিনো হায়বা খঙলবসু, ইশাগী ওইবা মত ফজনা ফোঙদোকপদি ঙমদে। অসিগুম্বা মতমদদি ইশাদসু পেন্দবা য়াম্না পোল্লকই। অদুনা লাইরিক হৈবা হায়বসিসু য়াম্না মরু ওইরকই। শান্নবদা অফাওবা ওইগে হায়রবদি লাইরিকসু ফজনা হৈরকপা তাবনি। ব্রেন য়াওনা শান্নরকপা মতমদনি মীনা লাকচবা ঙল্লোইদৌরিবসি।

ঐহাক ইশাগী ওইনদি শান্নবা অসিসু তপ্পা তপ্পা লোইশিল্লকপা অদুগুম্বগী তাঙ্কক য়ৌশিল্লক্লে। করিগুম্বা খরদগী নেসনল টিমদগীসু ২০১৮দগীদি শান্নবা লেপখ্রে। অদুমকপু রেলৱেজদা শান্নজরিবা প্লেয়র অমা ওইনা নৌনা হৌরক্লিবা জুনিয়র শান্নরোয়শিংদা ঐখোয়না হৈজবা খঙজবা খরসিদি স্যের তৌজখিগনি। অদুগা শান্নবা পুরা লোইশিল্লকপা মতম অদুৱাইদদি অপিকপা অঙাংশিং খরা শেমগৎনবা ঐখোয় ৱাখল্লোন মান্নবা মঙা-তরুক পূনশিল্লগা একাদেমি অমা হাংসি হায়না খন্নরি। অঙাং মচাশিং গ্রাসরুটকী অন্দর-১০, অন্দর-১২, অন্দর-১৩গী নুপীমচা খরা শেমগৎহৌদ্রগদি চহী খরগী তুংদা মণিপুরদা নুপী ফুটবোল শান্নরোয় থোরকপা ৱাগদবা মাল্লি। হৌজিক্তগী হৌনা ৱাখল থাদহৌদ্রগদি শিথরকপা খঙহৌরোই। বেজ বাই বেজ চহীগী মতুংইন্না হৌজিক অসি শেমগৎহৌবা মতম ওইরবনি। একাদেমি হাংবা, শান্নরোয় শেমগৎপা হায়বসিসু শেলগী মথৌ ঙাক্তনি। লোয়ননা মফম চাবা খনবা হায়বসিসু খ্বাইদগী মরু ওইবা অমনি। ঐখোয়গী মতম লোইশিল্লকপা চপ চান্নবা তৌনবা ঐখোয় মশেল হেক হেক ফমিন্নদুনা খন্নে। ঐখোয়না পাম্না শান্নজরম্বা মশান্না অমা কন্ননবা হোৎনবদা ঐখোয়নসু অচৌবা থৌদাং লৌফম থোকই হায়না খল্লি। মণিপুরগী নুপী ফুটবোল্লরশিং অসিদি অমরোমদসু কথোকপনা মাঙ থারগা শান্নরকখিবা ঙাক্তনি। থৱায় য়াওবা ক্লব অহুম মরি খক্তনা ঐখোয়বু য়োকখৎপীরকখিবনি। মশান্নসিবু থৱায় হকচাং য়াওনা নুংশিরকপা নুপী ফুটবোল্লর খরনা লিশাং শিংনা গেমসিবু কন্দুনা লাকখিবনি। মণিপুরদগী নুপী ফুটবোল মুৎহনখিবদি পামদে। মরম অদুনা নুপী ফুটবোল অসি কন্ননবগীদমক অঙম্বা থবক খরদি শোয়দনা তৌজরমগে হায়না লেপ্পি। - লোইরবা-

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**

**ফুটবোলদা মীৎয়েং অমা**





## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১২

১) মহাক কুমজা ১৯৮৪ ফাওবা ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখি। মসিনা মহাক্কী তরুক্লকশুবা ওইনা শরুক য়াখিবা ওলিম্পিকনি। মহাক্না কুমজা ১৯৮৪গী ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা ১৯শুবা তাখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

২) অনীশুবা লাঞ্জাওদা ঐহাক চহী ১০ শুরে। লাঞ্জাও অদুদা ঐহাক্কী অপোকপা-অপোকপী অনীমক লৈখিদ্রে। মখোয়না লৈখিদবগী মরমদি চাবা ফংদবা অমদি ঈশিং-নুংশিৎ য়াম্না ঈংবননি। লাঞ্জাও লোইরবা চহী ১০গী মতুংদা ঐহাক্না ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবদা এথলেটিক্সতা সনাগী মেদল ফংখি। ঐহাক কনানো?

৩) মহাক্না দিস্কস লংবা তম্বদা "The Blue Danube" হায়বা ঈশৈ অদু তাহল্লগা ঈশৈ অদুগী তানগা লোয়ননা দিস্কস লংবগী হকচাং অদু সর্কল মনুংদা রোটেট তৌবা হায়বদি হকচাং লৈবা তম্বীখি। মহাক দিস্কস চেম্পিয়ননি। মহাক কনানো?

৪) ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক্কী মতাংদা মখাগী ৱাহৈশিং অসি কনানা হায়খিবগে? "I hope to lead the olympics to success with all of you."

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা **hueiyensportsquiz@gmail.com** দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

নাওরেম রাজনিংথৌ মেমোরিএল ট্রোফি ২০২০

## আর সী এ লিলোং অমদি ওস্কার পাওনা বজার মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩(ঐচএনএস):

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন্না শীন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দ, ওরিয়েন্টেল কোলেজ/মোদেল হায়র সেকেন্দরি শান্নবুংদা চৎথরিবা অনীশুবা এম এন সী এ য়ু-১৬ বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ সিংহ মেমোরিএল ট্রোফি ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা আর সী এ লিলোংনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দবু অমদি ওস্কার পাউনা বজারনা পি টি সী সী পাটশোইবা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৭শুবা মেচ ওইনা মোদেল হায়র সেকেন্দরি এন্দ ওরিন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমদি আর সী এ লিলোং লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী টোস সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ঙমদুনা বেট্টিং তৌখি।

অহানবা ইন্নিংসতা সাইক্লোননা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ৩০দা ৱিকেট ৮ তুদুনা রন ১১৩ লৌখি। সাইক্লোনগী মায়কৈদগী অলি করিমনা বোল ২৮দা রন ১৬, আউট ওইদনা মালেমঙানবদা বোল ৬৮দা রন ৪৮ লৌখিবা শীংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি।

অহানবা ইন্নিংসতা আর সী এনা বোল্লিং তৌখিবদা প্রভেস অমদি জমিরনা ৱিকেট ২/২ অমদি ইমরান, ইলিয়াস অমসুং অরিসনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা থল্লবা রন ১১৪গী টার্গেটতা আর সী এ লিলোংনা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ২৬কা বোল ৫দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১১৭ লৌখিবদগী মেচ অসি আর সী এনা ৱিকেট ১দা মায়থীবা পীখি।

আর সী এগী মায়কৈদগী জমিরনা বোল ২৭তা রন১৪, ইলিয়াসনা বোল ২৬তা রন ২৪, আউট ওইদনা রুফত অমদি সাফৱাননা মথং শীৎনা রন ১২ অমদি ২ লৌখিবা টিম অদুগী স্কোরদা চাওনা মতেং ওইখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা সাইক্লোননা বোল্লিং তৌখিবদা বিকাসনা ৱিকেট ৩, রোনাল্ডো, শ্যামসং অমদি মালেমঙানবনা ৱিকেট ২/২ লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৮শুবা মেচ ওইনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা ওস্কার পাউনা বজার অমদি পি টি সী সী পাটশোই লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী টোস ওস্কারনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মদুদা ওস্কারনা ওভর ১৮ মায়োক্লখিবদা বেটচমেন পুম্নমক আউট ওইদুনা রন ৯৪ খক লৌবা ঙমখি।

ওস্কারগী মায়কৈদগী ভিসালনা বোল ২৪দা রন ২৬, আর কে রেনা বোল ২১দা রন ২৬ অমদি আউট ওইদনা রিসিনা বোল ৯দা রন ৩ লৌখিবা পনবা য়াবা স্কোর ওইখি। অহানবা ইন্নিংসতা পি টি সী সীনা বোল্লিং তৌখিবদা অনাওনা ৱিকেট ৩, সি ঐচ নিখিল অমদি সেলভাসনা ৱিকেট ২/২ অমসুং কর্নাজিৎ অমদি গুং গুংনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

ওস্কারনা থল্লম্বা রন ৯৫গী টার্গেটতা পি টি সী সীনা বোট্টিং তৌখিবদা ওভর ১১গা বোল ১দা টিম অদুগী বেটচমেন পুম্নমক আউট ওইরগা রন ২৭খক লৌখিবদগী মেচ অসি ওস্কারনা পি টি সী সীবু রন ৬৭তা মায়থীবা পীখি।

## হরমিট দিসাইনা মানব থাকর মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়াগী নেসনল টাইটল লৌবা ঙমখ্রে

হায়দরবাদ, ফেব্রুৱারী ০৩ (এজেন্সী):

তেলঙ্গানাগী কোনুং হায়দরবাদতা পাঙথোকপা নেসনল টেবল টেন্নিস চেম্পিয়নশিপকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা তৌনরবা মতুং হরমিট দেসাইনা মানব থাকরবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে। নুপীগী কাংলুপ্তুনা কৃটিকা সিনহা রোইবু সুটিরথা মুখর্জিনা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস সেমীফাইনেলদা মানব থাকরনা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় জি সাথিয়ানবু মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেলদা হর্মিট দিসাইগা লম্বা তৌনখি। ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গেম দেসাইনা ১১-৪দা থোইবা ঙমখি।

অনীশুবা গেম অদুদা থাকরনা য়াম্না কন্না শান্নরকপনা ১৩-১১দা থোইরগা গেম ১-১ মান্নদুনা লৈখি। অহুমশুবা গেম অদু অমুক দেসাইনা ১৪-১২দা থোইদুনা গেম ২-১দা মাংজিল থাখি। অদুবু ৪শুবা গেম অদু থাকরনা ১১-৯দা থোইদুনা ফাইনেল মেচ অদু গেম ২-২দা মান্নদুনা লৈখি।

৫শুবা গেম অদু দেসাইনা পোইন্ট ১১-৮দা থোইরবা মতুং ৬শুবা গেম অদু থাকরনা পোইন্ট ১১-৫দা থোইদুনা গেম ৩-৩দা মান্নদুনা লৈখিবদগী অরোইবা অমদি ৭শুবা গেম অদু হরমিট দেসাইনা পোইন্ট ১১-৫দা থোইদুনা ফাইনেল মেচ অদু গেম ৪-৩দা হেল্লগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী কাংলুপ্তা ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা মকোক থোংবা শান্নরোয় সুটিরথা মুখর্জিনা ক্রিটিকা সিনহা রোইবু ষ্ট্রেট গেম ৪দা ১১-৪, ১১-৫, ১১-৮, ১১-৪দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা জুবিন কুমার অমসুং সোময়াজিৎ ঘোসনা মনুস সহা অমসুং ইসান হিঙ্গোরানিবু ১১-৭, ৮-১১, ১১-৩, ১১-৭তা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি। নুপীগী দবলসতা সুটিরথা মুখর্জিনা রিটি সঙ্করনা চেম্পিয়ন অদুগা মিক্স দবলসকীদনা রোহিট ভাঞ্জা অমসুং মোসুমি পোলনা টাইটল লৌবা ঙমখি।



## বি বি সীগী ইস্বাতি নোমিনেসন মঙাগী মনুংদা মেরি কোম য়াওখ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ০৩ (এজেন্সী):

মালেমগী মমিং লৈরবা পাউগী চেনেল বি বি সীনা ইন্দিয়ন স্পোর্টস ৱিমেন ওফ দি ইয়র এৱার্দ পীননবা শান্নরোয় ৫ খনগৎখিবদা মমিং লৈরবা বোক্সর এম সি মেরি কোম য়াওখ্রে।

বি বি সীগী দিরেক্টর ওফ ন্যুজ ওইরিবা ফ্রান অন্সৱার্থনা ফোঙদোকখিবদা মালেমনা ইন্দিয়াগী স্পোর্টস ৱিমেনশিংগী মতাংদা খঙনবা হেনগৎলপগা মরী লৈননা বি বি সী ইস্বতি ২০১৯ অসিনা ইন্দিয়াদা নুপী শান্নরোয়দা পুক্নিং থৌগৎপা মনাশিংগী মনুংদা য়াম্না মরু ওইবা অমা ওইগদৌরি।

খনগৎলবা শান্নরোয় ৫ অদুদি দুতি চান্দ (থলেটিক্স), মনাসি জে াসি (পেরা বেদমিন্টন), মেরি কোম (বোক্সিং), ভিনেস ফোগত (ফ্রিষ্টাইল রেষ্টলিং) অমসুং পি ভি সিন্ধু (বেদমিন্টন)নি।

ইন্দিয়াদা লৈবা ন্যুজ প্রিন্ট অমসুং টেলিভিজন ন্যুজ চেনেলশিং, ইনিদপেন্দেন্ট জর্নেলিষ্টশিং অমদি বি বি সীগী জর্নেলিষ্ট কয়া য়াওবা জুরি অমনা শান্নরোয় ৫ অসিবু খনগৎলগা ঙসি মমিং লাউথোকখিবনি।

বি বি সী ইন্দিয়ন স্পোর্টস ৱিমেন ওফ দি ইয়রগী মনা অসি চহী অসিগী মার্চ ৮দা ন্যু দিল্লিদা বি বি সীগী দিরেক্টর জেনরেল লোর্দ টোনি হোলনা য়েন্থোক্কনি। মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা লাইভ টাইম এচিমেন্টকী ওইবা নুপী শান্নরোয় অমবুসু ইকায় খুম্নগদৌরি। মীয়াম্না বি বি সীগী চেনেলশিংদা থা অসিগী ১৭কী নুমিদাং পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা ওন লাইনদা ভোট থাদবা য়াগনি হায়রি।



## ঙাঙোম বালানা লীভরপুল ফুটবোল ক্লবকী লেজেন্দ ষ্টিবন জেরাদকা উনবা ফংলগনি হায়খ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ০৩ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল অনৌবা পুৱারী অমা ইবা ঙমখ্রবী মণিপুরগী ঙাঙোম বালানা স্কোটলেন্দগী প্রোফেস্নেল ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা রেঞ্জর্স ফুটবোল ক্লবকা থা ১৮গী খুৎয়েক পীনখ্রবা মতুং ক্লব অসিগী নুপাগী টিমবু মেনেজর ওইরিবা ইংলেন্দগী মমিং লৈরবা লিভরপুরগী লেজেন্দনি হায়না লৌনরিবা ষ্টিবন জেরাদকা উনব ফংলগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পাউগী চেনেল অমগা ৱারী শান্নবদা মহাক্না ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি। মশাগী চহী ২৯ শুরবী ঙাঙোম বালানা রেঞ্জর্স এফ সীগী ওইনা এসিয়াগী অহানবা নুপী শান্নরোয় ওইগদৌরি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা রেঞ্জর্স এফ সীগী জর্সি নম্বর ১০ লিৎতুনা টিম অদুগী ষ্ট্রাইকর ওইনা শান্নগদৌরি।

হৌজিক হৌজিক মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতা ইমপ্লোইয়ি অমা ওইরিবী ঙাঙোম বালাবু হোম দিপার্টমেন্টনা স্কোটলেন্দদা চৎপগী ক্লিয়ারেন্স পীরে হায়রি। মরক অসিদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা বালাগা উনদুনা শেলগী মতেংসু পীখি হায়রি।

বালানা রেঞ্জর্স এফ সীগা খুৎয়েক পীনরবা মতুং ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ফুটবোল শান্নরোয় কয়াগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোক্নরকখি। মমাঙদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইরম্বা বাইচুং ভুতিয়া হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিম কেপ্টেন ওইরিবা সুনিল সেত্রি, রেনেদি অমদি বেম্বেমনসু মহাক্না শান্নগদৌরিবা অদুদা অফবা ওইরসনু হায়না ফোঙদোক্নরকখি।

বালানা মখা তাখিবদা মহাক্না শান্নবা হৌরকপদা বেম্বেমনা সিনিয়র ওইদুনা ইন্দিয়াগী টিম লুচিংখি। মঙোন্দগী কান্নবা কয়া অমসু ফংখি হায়খি। কুমজা ২০১০দগী মহাক্না শান্নখিবা মেচ ৫৮দা পাঞ্জল ৫২ চন্দুনা খ্বাইদগী পাঞ্জল য়াম্বা ওইরি। কুমজা ২০১৫-২০১৬তা এ আই এফ এফকী ৱিমেন্স প্লেয়র ওফ দি এয়রগী মনাসু ফংখ্রবনি। মহাক্না রেঞ্জর্স এফ সীনা শান্নরবা মতুং ক্লব অদুগী নুপাগী টিমগী মেনেজর ওইরিবা ষ্টিবন জেরাদকা উনদুনা মশান্না অদুগী মরমদা কান্নবা পাউতাক কয়া লৌহৌনবা হোৎনগনি হায়খি।




## কোলাপুর সিটি এফ সীনা বরোদা ফুটবোল একাদেমীবু ২-০দা থোইখ্রে, কেনক্রে এফ সীনা স্রিভুমি এফ সীবু পাঞ্জল ৩-১দা কাখ্রে

Hero IWL INDIAN WOMEN'S LEAGUE

বেঙ্গালুরু, ফেব্রুৱারী ০৩ (এজেন্সী):

কর্নাটকাগী কোনুং বেঙ্গালুরুদা চৎথরিবা হিরো ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'এ'গী মেচ অমদা কোলাপুর সিটি ফুটবোল ক্লবনা বরোদা ফুটবোল একাদেমীবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা গ্রুপ 'বি'গী অতোপ্পা মেচ অমদা কেনক্রে এফ সীনা স্রিভুমি ফুটবোল ক্লবপু ৩-১দা থোইবা ঙমখ্রে।

কোলাপুর সিটি এফ সী মমাঙদা শান্নখিবা মেচ ৩দা ২ মায়থীদুনা ১ দ্রো চৎতুনা মেচ অমত্তা মায় পাকপা ঙমখিদ্রিবনি। অমরোমদা বরোদা ফুটবোল একাদেমী মেচ ৩ শান্নবদা ১ মায় পাল্লগা ২ মায়থীদুনা লৈখি।

ঙসি কোলাপুর সিটি এফ সীগী মায়কৈদগী মণিপুরদগী হৌখিবী লিংনৈলম কিপজেননা মেচকী ২৪শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মখা তানা শান্নবগী ৭০ শুবা মিনটতা কোলাপুরগী সুভদ্রা সাহুনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা মায় পাকখি।

নীংশিংবা য়াই, গ্রুপ অসিদা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী ক্রিপসা ফুটবোল ক্লব মেচ ৪ শান্নবদা ৪মক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ১২ ফংবগা লোয়ননা সেমিফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবনি।

ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'বি'গী মেচ অমদা কেনক্রে এফ সীনা স্রিভুমি ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৩-১দা থোইদুনা গ্রুপ 'বি'গী পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ৯ ফংলগা গোকুলম কেরলাগী মথংদা ২শুবদা লৈরি।



## মহারাষ্ট্র ওপন টেন্নিসকী অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সুমিত নগাল অমসুং রামেস রামনাথন মায়থীহৌরে

TATA OPEN Maharashtra

পুনে, ফেব্রুৱারী ০৩ (এজেন্সী):

মহারষ্ট্র ষ্টেটকী পুনে সিটিদা লৈবা মলুংগে বালেৱারী টেন্নিস কমপ্লেক্সতা ঙসিদগী হৌখিবা এ টি পি টুর ২৫০গী মনুং চনবা মহারাষ্ট্র ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সুমিত নগাল অমসুং রামেস রামনাথন অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা ইন্দিয়াগী সুমিত নগাল অমদি সর্ভিয়াগী বিক্টর ট্রোইকীগা লম্বা তৌনখি। অহানবা সেট বিক্টর ট্রোইকীনা সুমিত নগালগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা সেটতা সুমিত নগালগী মায়কৈদগী ফজবা হেল্লকপদগী টাইব্রেক্তা ৭-৪দা থোইরবা মতুং অহুমশুবা সেট শান্নবদা ১-৬দা মায়থীহৌবদগী ট্রোইকিনা অনীশুবা রাউন্দদা জ পানগী ৱাই সুগিতাগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা ইতালিগী এস কারুসোনা ইন্দিয়াগী রামেস রামনাথনবু সেট ২-১দা থোইখি।

অহানবা সেট অদু রামনাথননা ৬-৩দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদু কারুসোনা ৬-৪দা থোইখি। দিসাইদিং সেটতা কারুসোনা রামনাথনবু ৭-৫দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

